# সাইবর সিক্যুরিটিগী এৱেয়ারনেস কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, মে ৫ঃ
সাইবর সিক্যুরিটি হায়বসিদা এৱেয়ারনেস কেম্পেইন অমসুং লেকচর প্রোগ্রাম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ১০৯ বট্টালিয়ান সি আর পি এফ য়ুনিটকী ক্বাটরদা পাঙথোকখ্রে।
বট্টালিয়ান অসিগী চেরোল অমনা হায়, কেম্পেইন অমসুং লেকচরগী সেসন অদু মণিপুর পুলিসকী সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনগী ডা. মোহিত র্গগ আই পি এস অমসুং মহাক্কী কাংবুনা কন্দক্ট তৌখি।
সাইবর ক্রাইম হেনগৎলক্লিবা অসিগী মায়োক্তা করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু সি আর পি এফ পার্সোনেলশিংদা নীংথিনা ভাব তাহন্নবা মীৎয়েংদা প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকপনি।
১০৯ বট্টালিয়ান সি আর পি এফকী কম্মাদেন্ট বিনোদ কুমার অমসুং ওফিসিয়েলশিং য়াওনা পার্সোনেল ১০০ রোমনা শরুক য়াখিবা সেসন অদুদা তোঙান-তোঙানবা সোসিয়েল মেদিয়া মপুং ওইনা ফেস বুক, ৱাটচ অপনচিংবা করম্না শীজিন্নগদগে অমসুং ফেক কোলগী মায়োক্তা করম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে, দেবিদ কার্দ অরোনবা মওংদা করম্না শীজিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা শন্দোক্লা খঙহনখি।
রনসোমৱায়ার, ব্লুৱেল গেম, ক্লাস ওফ ক্লাননচিংবা সাইবর ক্রাইমগী ট্রেন্দগী মতাংদসু নীংথিনা খঙহনখি হায়রি। কম্মাদেন্ট বিনোদ কুমারনা সোসিয়েল মেদিয়া অমসুং সাইবর স্পেস শীজিন্নবগী মতাংদা সি আর পি এফ পার্সোনেলশিংদা চেকশিন্নবা অপিলতৌখি।
সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনগী ডা. মোহিদ গর্গ আই পি এস অমসুং মহাক্কী কাংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

# চেঙ চিংথোকপা থিংবগা মরী লৈনদে ঃ মাওইষ্ট

ঙরাংগী মখা...
লুপ অসিদি হৌখিবা কংগ্রেস লৈঙাক অদুদগী হৌরগা লাইরবা মীয়ামগী চাকথুং ফংহন্নবা তকশিন্দুনা লাকপনি মরম অদুনা পি দি এস মিনিষ্টরনা লালহৌলুপ হায়রগা লৈরিবা ময়াম্বু পুন্না চেন্থহনবা থৌওংসি লুপ অসিনা খম থেংনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। মিনিষ্টর মশানা য়াম্না থৌনা লৈবা ওইরগদি লাইরবা মীয়ামগী পুকচাক লাদারিবা অদু করম্বা পার্টিনো হায়বদু মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। মদু খঙহনবা ঙমদ্রগদি মিনিষ্টরনা ফোঙদোক্লিবদু মীয়াম্বু অপঙবা শিবা, মশাগী মথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রগা লালহৌবদা মরাল থংজিনবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। তশেংবদি মণিপুরগী মফম কয়াদগী চেঙ ফংদবগী ৱাকৎ লাকপা অসিদা মিনিষ্টরনা মশাগী মরাল কুপশিনবা য়ানবা দ্রমা তৌবা ওইনা মীয়ামনা লৌই। হৌখিবা চহী কয়া অসি এফ সি এস মিনিষ্টর অমদি নোংমৈ পায়বা ময়াম পুল্লগা শায়েন ঙায়েন্নদুনা লাকপনি মরম অদুনা হৌজিক্লা করম্না থিংলক্লিবনো হায়বসি মীয়াম্না মীৎনা কুপ্পদা খঙবা ৱাফমনি। পি দি এস মিনিষ্টরনা মীয়াম্বু মখা তানা অপঙবা শীবা ঙল্লোই। ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টরগী থবক থৌরমশিংদা অহেনবা লৈরগসু পি দি এস মিনিষ্টর য়াওনা মহাক্কী মিনিষ্টর অমদি এম এল এনচিংবা খরদদি য়াম্না চাওনা থাজবা মাংলে। খুদম ওইনা থাংমৈবন্দদগী নুপী অমবু রেপ তৌরম্বা হৌজিক্লা কোর্টতা কেস চংখরিবা এম এল এ অমবু লেবর লোইশঙগী চেয়ারমেন ওইহন্নবা মীওই খরনা হোৎনরি। থাঙ্গগী রেপ কেসকী মতাংদসু ভোট কাহৌদ্রবা মীওই অমনা অঙম অথৌনি হায়দুনা হাকন চঙদুনা মরাল লৈবশিং কনখৎতুনা থল্লি। পি দি এস মিনিষ্টর য়াওনা মখোয়শিং অসি ঙসিগী লৈঙাক অসিগী কাংখদা চঙবা লিনগা পাঙ্খকনি। মীয়ামদা পি দি এসকী চেঙ ফঙহনবা ঙমদবা, থাংমৈবন্দ অমদি থাঙ্গগী রেপ কেসতা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙমদবা হায়বসি লৈঙাক অসিদা মীয়াম্না মখা তানা থাজবা থম্ফম থোক্ত্রে।



হেল্পিং হেন্দস ফোর পিপলস মণিপুরনা জেনিমস হোস্পিটালদা পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্পতা শরুক য়াখিবশিং



টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরগী রিছোর্স সেন্টরদা ঙরাং গ্রাম স্বরাজ অভিয়ানগী মখাদা অজিভিকা ইভম কৌসিল ভিকাস দিৱস থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

লমায় ১ গী মখা

# ফ্রি হেল্থ অমসুং ভেটেরিনরি কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৫ঃ
কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী লুংটিনা এস দি সি সর্কলগী মনুং চনবা জাংনোই ভিলেজগী মোলকোন্দা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ফ্রি ভেটেরিনরি কেম্পসু পাঙথোক্তুনা ষণ অমসুং হুইশিং হিদাক কাপথোকখ্রে হায়রি।
কেম্প অনীমক অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী 'চীংদা চৎলু' হায়বা পান্দমগী মখাদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট সদর হিলস ওটোনোমসন দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা শিনবনি।
হেল্থ কেম্পতা মেদিকেল ওফিসার ডা. ব্রজমনিনা লুচিংবা ডাক্তর মরিনা জাংনোই, খোমুননোম, ফাইলেন, লুংটিঙ, থিংফাই অমদি সি খোলেননচিংবা মফমশিংদগী লাকখিবা নুপী-অঙাং য়াওনা মীওই ৩২০ রোমদা লেম্না লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু লেম্না পীখি।
চপ মান্ননা পাঙথোকখিবা ভেটেরিনরি কেম্পতসু ষণ ১৫৪দা এফদব্লিরদি ভেক্সিন কাপথোকপগা লোয়ননা হুই ৫৬তনা এন্টি রেবিস ভেক্সিন কাপথোকখি হায়রি।

# রেপ তৌনবা হোৎনরম্বগা মরী লৈননা কেস লৌখৎপীয়ু য়াদ্রে ঃ প্রেমিতা

ইম্ফাল, মে ৫ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুং চনবা ঈশিংথেম্বী ভিলেজদা লৈবা মীওই অমনা নুপী মচা অমা রেপ তৌনবা হোৎনরম্বগা মরী লৈননা শগোলমাং পুলিস ষ্টেসন অমসুং মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেনদা ৱাকৎলবসু কেস অমত্তা লৌখৎপীয়ু য়াদ্রে হায়না কোইজম প্রেমিতানা পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।
ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্লা হায়, ঈশিংথেম্বী হায়রিবা ভিলেজ অসিদা কোন্সম খেলেন কৌবা মীওই অমনা গুন্দা শাদুনা তৌনিংবতা তৌদুনা লৈবগা লোয়ননা নুপীমচা কয়াদা কিহনবা, ওৎ-নৈবা অমদি নমজা নমথেকপীনবা হোৎনখিবগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। মহাক্কী (প্রোমিতা) য়ুমদসু মমাঙ চহী ২০১৭কী জনুৱারি ৮দা য়ৈখাই থিনগাইবা থোকহনখি। হিংনবগীদমক মপুরোইবগা লোয়ননা দুকান ফম্বা অদুসু হায়রিবা মীওই অসিনা অকি অখঙ পোকহনবদগী হাংবা ঙমদনা লৈরি। হিংনবগীদমক তৌদবা য়াদবনা ইম্ফালগী বি টি পার্ক ময়াদা পোৎ য়োন্দুনা খাঙলি। অসিগুম্বা থৌওং কয়াগা মরী লৈননা লৌখৎফম থোকপা আইনগী মতেং লৌখৎপিনবা ৱাকৎপা অমসুং হায়জবদা ৱুমেন কম্মিসন অমদি শগোলমাং পুলিস ষ্টেসন্না করিগুম্বা মখা তাবা থবক অমত্তা লৌখৎপীয়ু য়াদবসি পেন্দে অমসুং নুংঙাইতে অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এক্সিদেন্টতা শোকখিবশিংদসু মতেং পাংবীয়ু ঃ বেবি গুরুং

ইম্ফাল, মে ৫ঃ
হৌখিবা এপ্রিল ১১দা সেকমাইগী মহারাবি এরিয়াদা থোকখিবা থৌদোক্তগী হোস্পিটালদা লৈখিদবা মপুরোইবা পুদুনা লাকপা ওটো রিক্সোদা টাটা গারী অমনা থেংজিন্দুনা মমা মচা শিখিবা থৌদোক অদুদা শোক্তুনা লায়কন্নরিবা হুইদ্রোম প্রিয়া (১৮) অমদি বেক্কি গুরুং (৩২)গী অৱাবদা মতেং পাংবীয়ু হায়না বেবি গুরুংনা ফোঙদোকখ্রে।
ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্লা হায়, এক্সিদেন্ট অদুদা লাইবক থিবদগী মমা মচা লৈখিদবা অদুদা শোকখিবা মীওই অনী ইম্ফালগী রাজ মেদিসিটিদা লায়েংদুনা লৈরিবা অসিদা ইমুংগী অৱাবা খঙ থেংলে। অশোকশিং অদুগীদমক গারী মপুনা মতেং খরদি পাংলমখ্রে। অদুবু হুইদ্রোম প্রিয়াদি কোক্তা শোক্তুনা হৌজিকসু নোর্মেল ওইদ্রি অদুগা বেক্কি গুরুংনা ওই থংবা খোঙগী শরদ কা হেন্না শোক্তুনা পুন্সি চুপ্পা থবক শুবা য়ারোইদবগী ফিভমদা ডাক্তরনা এদভাইস তৌরি। ফিভম অসিদা সরকার অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীনবসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লমায় ১ গী মখা

# লোক্তাক প্রোজেক্ট ১সুং কামজোংদা একলভ্য মোডেল রিসিদেন্সিয়েল স্কুল অমমম শারগনি

হায়রিবা কোর্স অসি চৎলিবা চহী অসিগী লাক্লিবা সেপ্তেম্বরদা লোইশিনগনি।
২০১৭-১৮গী ওইনা কোর্স অসিগীদমক ট্রাইবেল ট্রেনি ১১৪ খন্দোকপগী প্রোসেস লোইখ্রে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।
থবক ফঙদবা ট্রাইবেল নহাশিংদা থবক পীনবা থৌরাংগী মখাদা দিপার্টমেন্ট অসিনা গুৱাহাটিদা বেজ তৌবা এম / এস জেটৱিংসকী খুথাংদা সিভিল এভিএসন অমসুং হোস্পিটাল সেক্টরদা স্কিল দিভলপমেন্ট তৌনবা থবক লৌখৎলি।হৌজিক ফাওবদা মরামগী নহা ৭ য়াওনা ট্রাইবেল নহা ১৮৩ সেক্টর অহুমদা স্কিল দিভলপমেন্টকী খুদোংচাবা পীরি। ২০১৭-১৮দা অতোপ্পা ট্রাইবেল নহা ১৬৮ জেটৱিংস গুৱাহাটিদা ট্রেনিং কোর্স চংখরি । মসিদসু মরামগী নহা ৩৮ য়াওরি। মরামগী নহাশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীরিবা অসি মখোয়গী য়ুনিট ওইবা প্রিমেটিভ ট্রিট লৈবদগীনি হায়রি।
পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা মণিপুর সরকারগী দিপ্যুটি সেক্রেটরী কমলা দেবী, দিপার্টমেন্ট অসিগী একজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ার জিলা সিংহ, দিপ্যুটি দিরেক্টর রাজেন্দ্রো সিংহ, চীফ মেডিকেল ওফিসার ডা. ভি হাওকিপ অমদি মঙলেম সিংহ অমসুং এডিস্নেল দিরেক্টর (প্লানিং) বিমোলচন্দ্র শর্ম্মসু শরুক য়াখি হায়রি।

# মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম পোলিসি অগষ্ট ফাওবগী মনুংদা চৎনহনগদবনি

কংলা ফিল্মস মণিপুরগী মেনেজিং দাইরেক্টর নাওরোইবম প্রেমজিৎনা হায়, মণিপুরদা সেলুলোইট ফিল্ম শীথরক্লবা মতুং হিন্দি ফিল্মনা সেনিমা হোলশিংদা কাপ্পদা অথিংবা অমুক লাকপদগী কুমজা ২০০২ মে ৫দা ইহান হানবা ওইনা কংলা ফিল্মস মণিপুরগী মখাদা লালমৈ ফিল্ম পুথোক্তুনা ফ্রেন্স টোকিসদা কাপখি। নুমিৎ অদুদগী অনৌবা মণিপুরী সেনিমাগী খোঙহৌ অমা শেম্বা হৌখিবনি হায়না লৌই।
নেসনেল ফিল্ম এৱার্দি ওকেন অমাকচমনা ফোঙদোকখিবদি মণিপুরগী স্পোর্ট অমদি আর্ট এন্দ কলচরনা মালেমদা লৈবাক অসিবু শক তাকপদা চাওনা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি । অদুবু ঐখোয়গী শান্নরোইশিংনা নেসনেল অমসুং ইন্টর্নেসনেলগী থাক্তা মনা লৌরক্লবদি সরকার অমদি মীয়ামগী রিকোগনেসন পীদুনা পুক্নিং থৌগৎলি। অদুবু ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিংগী মতাংদদি অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপীবগী চৎনবী অসি হৌজিক ফাওবদদি উদ্রি অদুনা উহনবা অমসুং লৈহনবা তঙাইফদে।
শক্লাইরবা আর্টিষ্ট নরেন্দ্র নিঙোম্বদা কংলা ফিল্মস মণিপুরগী মায়কৈদগী ইকায় খুম্নবসু উৎখি।
ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমগী অনীশুবা সেসনদা শক্লাইরবা ফিল্মএক্টর আর কে কাইকু, হিজম বালা, বোবিন, সঙ্গিতানচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা থোইদোক হেন্দোকপা প্রোগ্রাম কয়াসু পাঙথোকখি হায়রি।


# কাংপোকপীদা সোল্লর লাইট য়েন্থোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ৫ঃ
৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৬শুবা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা টি মোংবুং ভিলেজগী মীওইশিংদা সোল্লর লাইট ১০০ ঙরাং য়েন্থোকখ্রে।
আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌরম অদুগা মরী লৈননা হেল্থ এৱেয়ারনেস লেকচর প্রোগ্রামসু পাঙথোকখি। মদুদা রেজিমেন্টেল মেদিকেল ওফিসারনা ঈশিংদগী শন্দোকপা লায়না অমসুং মেলরিয়া, দেঙ্গিনচিংবদগী ঙাকথোক্লবা তঙাইফদনা তৌগদবশিং অদু খুঞ্জাশিংদা খঙহনখি। অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা খুঞ্জাশিংবু ভাব তাহনবগীদমক অসাম রাইফলসপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়রি।

# মহৈরোইশিংগী খুদোল

Title : Gengar





**Dennish. K**
Class: V, Roll No : 2
**UNACCO SCHOOL**

Title : Save our Environment




**Salam Rajeshori**
Class: IV, Sec : C, Roll No : 35
**UNACCO SCHOOL**

Title : Sea Beach



**Chingkheinganba W**
Class: III, Sec : A, Roll No : 32
**UNACCO SCHOOL**

Title : Scenery





**Baby Maria Yendrembam**
Class: II, Sec : B, Roll : 7
**UNACCO SCHOOL**


Title : Doll House






**Mandy Khagembam**
Class: IV, Sec : B, Roll : 19
**UNACCO SCHOOL**

Title : Our Planets




**Bikash Ningombam Singh**
Class: V, Sec : C, Roll No : 26
**UNACCO SCHOOL**

Title : House




**Th. Rocksil Devi**
Class: I, Sec : D, Roll No : 13
**UNACCO SCHOOL**

Title : Rabbits



**Ch. Bonix**
Class: I, Sec : A, Roll No : 19
**UNACCO SCHOOL**

Title : Pikachu



**Sharfaraj Aziz**
Class: IV, Sec : C, Roll No : 21
**UNACCO SCHOOL**

Title : X-mas Tree





**Loijingba Yendrembam**
Class: Nursery, Roll : 19
**KIDZ ARENA**

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াউরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউঃ



